# আর কে মধুরজিৎ অনীশুবা থাঙ-তা ত্রোফি খুৎশীন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




**জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
অসাম থাঙ-তা এসোসিএশননা শীন্দুনা ঙসি কসারগী লক্ষিপুর খুমনদা লৈবা নহারোল খোরিরোল শিংলুপকী শঙলেন্দা আর কে মধুরজিৎ সিংহ অনীশুবা থাঙ-তা ত্রোফি খুৎশীন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অঙাংগী সাহিত্যকার ইঙুদম সটিসচন্দ্র, অসাম থাঙ-তা এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৰাহেংবম বিনয়কুমার, লক্ষিপুর অঞ্চালিক পঞ্চায়েটকী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিরমনি, নহারোল খোরিরোল শিংলুপ অসাম লক্ষিপুরগী প্রসিদেন্ট থোকচোম বিস্বনাথ, খুন্নাই য়াইফ থৌমি অসামগী এম ব্রোজেশ্বর, মালেমগী লুপকী প্রসিদেন্ট অমুচৌ ৰাইখোম, এৰার্দি বেষ্ট পেনেল লোয়র ইম্ফাল ৰেষ্ট এদভোকেট কান্তা খুরাইজমনা মথংশিংনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু হৌদ্রিঙৈদা লক্ষিপুর খুমনদা লৈবা ইপুধৌ খোঙনাংদা থৌনিজবগা লোয়ননা ইং তপ্পগী পাউজেল য়েন্নবগীদমক খুনু অমসু থাদোকখি। ইঙুদম দিজেন্দ্রনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল অমদি ৱাহৌদোক পীরদুনা থৌরম হৌদোকখ্রবা মতুং ত্রোফি খুৎশীন্নবগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা অমুচৌ ৰাইখোমনা হায়খিবদা আর কে মধুরজিৎ ত্রোফি অসি ইন্দিজিনস গেম ওইনা লৈরিবা থাঙ-তা মশান্না য়োকখৎনবগী পান্দমদা শীনবতা নত্তনা অসামদা লৈরিবা মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা থৰায় য়াওনা শান্নরমখিবা অদু মখা চথহৌনবা পাঙথোকপনি।

থাঙ-তা ত্রোফি অসি নিংথেমচা সনায়াইমনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৫গী ওক্টোবর ৮দগী নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা মণিপুর ষ্টেটতা মখা তানা শীন্নবা থৌরাং তৌরি। থাঙ-তা ত্রোফি অসিগী অহানবা টিম চেম্পিয়ন ওইখিবা সোনাই থাঙ-তা মার্সিএল আর্টস এসোসিএশন অমদি অহানবা রন্নর্স অপ তাখিবা লক্ষিপুর থাঙ-তা এসোসিএশনদগী হায়রিবা রন্নিং ত্রোফি অসি অসাম থাঙ-তাদা শীন্নরবা মতুং অপুনবা মালেমগী লুপতা শীন্নরকখ্রে। মদুগী মতুং মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা আর কে মধুরজিৎ ত্রোফি অসিগীদমক শেম শাবা হৌরগনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ৰাহেংবম বিনয়কুমারনা হায়, ঐখোয়গী পুৱারিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা থাঙ-তা মশান্না অসি য়োকখৎনবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনফম থোকই। থাঙ-তা অসি ঐখোয়গী ওইনদি খঙজিনবদা য়াম্না কান্নবা মশান্না অমদি চৎনবীসু ওইরি। মরম অদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়খি।

# দি সী চান্দেল ত্রোফিঃ চুম্বাং ফুটবোল ক্লব অমসুং খোঙজোন য়ুথ ক্লব মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক হৌজিক চথরিবা দি সী চান্দেল ত্রোফিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা সুপর দিভিজন লিগকী অরোয়বা ১৫ শুবা মেটচতা চুম্বাং ফুটবোল ক্লব অমসুং খোঙজোন য়ুথ ক্লব মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৬না শরুক য়ারগা চথরকখিবা দি সী চান্দেল ত্রোফি সুপুর দিভিজন লিগ অসিগী অরোয়বা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা চুম্বাং এফ সী অমসুং খুঙজোন ৰাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৩ শুবা মিনটতা চুম্বাং এফ সীগী দাংসৰানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ১৩ শুবা মিনটতা খোঙজোন ৰাই সীগী এন জি বিদিনপরনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৯ শুবা মিনটতা খোঙজোন ৰাই সীগী বিদিনপরনা মখোয়গী টিমগী অমদি মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা খোঙজোন ৰাই সীনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা চুম্বাং এফ সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক খোঙজোন ৰাই সীগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা পীখিদবনা মরম ওইরগা চুম্বাং এফ সীনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। খোঙজোন ৰাই সীগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা কাউন্টর এটেকশিং চথনবা শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা চুম্বাং এফ সীগী কে রিচার্দনা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নাকল অনীমক্না মায় পাকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবনি।

# অহানবা য়ুম্নাম মনাও মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মীনি ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌরগা অহানবা য়ুম্নাম মনাও (শিনাবা) মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ হৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৯না গ্রুপ অনী খায়দোক্তুনা ঙসিদগী হৌখিবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা সোসল এক্টিভিষ্ট আর কে সনায়াইমা, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট এল নবা অমসুং সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী রিটয়ার্দ পি আর ও অরাম্বম অশোকনা মথংশিংনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী পুল এগী অহানবা লিগ মেটচ শান্নখিবদা টি ৰাই দি এ তৌবুলনা বি এফ এ নাচৌবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১০-১দা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা টি ৰাই দি এ টিমগী পাঞ্জল ১০ অদু এল ধোনিনা অনী, টি ঐচ লিওন, টি ঐচ মালেমঙানবা, টি ঐচ অনিস, এন গৌতম, এম ষ্টেভিন কোম অমদি এন প্রেমসাগরনা মথংশিংনা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদুদা মায়থীবা নঙখ্রবা বি এফ এ টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা এ প্রিন্সনা চনখিবনি।

চথরিবা ফর্ষ্ট দিভিজন লিগ অসিগী মখা তাবা মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা রাইজিং ক্লব ঙাইখোং খুল্লেন অমদি এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌগা অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি। লোয়ননা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা লৌতাক এফ সী লৌত্তাক প্রোজেক্ট অমদি আর এফ সী সী কৈনৌ অনীনা নুংথিল পুং ৩ তাবদা লম্বা তৌনরগনি।

# লিগ ১ঃ রেনেজনা লিওনবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে



**পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):**
ফ্রান্সতা হৌজিক হৌজিক চথরিবা লিগ ১গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রেনেজনা লিওনবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পেরিসতা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নখি। মেটচ অসিদা রেনেজনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৮ ওইখিবা মতমদা লিওননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫২ ওইখি।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা রেনেজনা পাঞ্জল ৩-১দা লিওনবু মায়থীবা পীরমখিবনি। রেনেজগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এন্থোনি রাউল, রেমি দেসকেম অমসুং মুহম্মদ কাদরনা চনখিবনি।

# সব জুনিয়র গার্লসকীদা নোংপোকঙানবী অখামনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর জুদো এসোসিএশন অনীনা পুন্না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা দি জি এ আর মণিপুর ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী সব জুনিয়র গার্লসকীদা নোংপোকঙানবী অখামনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬তগী লাকপা ক্লব ৭তগী অপুনবা নুপা অমদি নুপী জুদোকা ২৫২ রোম্না শরুক য়ারগা চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র গার্লসকী কেজি ২৮ মখাগী কাঙলুপকীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংপোকঙানবী অখামনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। কাঙলুপ অসিগী কেজি ৩২ মখাগী কাঙলুপ্তুনা নিংথৌজম নালেনা গোল্ড অমদি হুইদ্রোম কেসিতানা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

সব জুনিয়র বোইজগী কেজি ৩৫ মখাগী কাঙলুপতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দব্লিয়ু লুহেনবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী এম নিংথেমনা মথংশিংনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। কাঙলুপ অসিগী কেজি ৩০ মখাগীদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোনদোনবনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। কেজি ৪০ মখাগীদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি ঐচ বিভেকনা গোল্ড, কেজি ৪৫ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মৈস্নাম অভিজিৎনা গোল্ড, কেজি ৫০ মখাগীদনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাওরেম দেবাজিৎনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

# ফাইনেলদা অঙ্খেল চয়াং ৱাই সী সী অমসুং মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক হৌজিক চথরিবা দি সী চান্দেল ত্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫গী ফাইনেলদা অঙ্খেল চয়াং ৱাই সী সী অমসুং মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি ত্রোফি অসিগী ওইনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচদা মহামনি ৱাই সী অমসুং মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী মরক্তা লম্বা তৌনবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৮ অমসুং ২৪ শুবা মিনটতা মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী এন জি লোরিস অমসুং এন জি থোমাসনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

মহামনি ৱাই সীগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা মহামনি ৱাই সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীনা পাঞ্জল ৫-০দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মোন্সাং পনথা ৱাই সী সীগী অনীশুবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু দব্লিয়ু বিশ্বরজিৎ, দব্লিয়ু হেনরি অমসুং এন জি রোলিসনা অমমম চনখিবনি।

# নারেংবম লেম্বা মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
ভোবিনাম এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৮দগী হৌরগা ১১ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী টালকাটোরা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১৪ রক শুবা নেশনল ভোবিনাম চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল অনী লৌরকখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায়দগী শান্নরোয় নারেংবম লেম্বা অমদি মহাক্কী কোচ কাঙুজম বাবুবু ঙসি মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

ৱাংজিং এস কে লৈকায়দা লৈবা ৱাই ভি এ কম্যুনিটি হোলদা ঙসি ৱাংজিং এস কে লৈকায়গী মীয়াম্না তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা দেমোক্রেটিক পীপলস ফ্রন্ট (দি পি এফ)কী প্রসিদেন্ট ডা. নরেংবম রজিব কুমার, রিটয়ার্দ দিপ্যুটি ইন্সপেক্টর ওফ স্কুল, জোন ৩ থৌবাল তেকচম বিকোমদাস, ৱাংজিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সিল্লর নারেংবম বিনয় অমদি লোকেল লিদর নারেংবম ইবোমচানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

নারেংবম সুকুমার অমদি বেমবেম অনীগী মচানুপা নারেংবম লেম্বনা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা নুপাগী কেজি ৩৪গী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি।

# টিন মেমোরিএল ত্রোফিঃ ব্রোজেন এফ সীনা অপুনবা সাইতোন এফ সী থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**
রোস ক্লব থিনুঙ্গৈনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪দগী চথরক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল টিন মেমোরিএল ত্রোফি ৯-এ-সাইদ নোক আউট টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ব্রোজেন এফ সীনা অপুনবা সাইতোন এফ সী মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ব্রোজেন এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনবা শান্নবা ঙমখি। ব্রোজেন এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ২ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় টি ঐচ কোরৌনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং মেটচ অদুগী ১৬ অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ব্রোজেন এফ সীগী শান্নরোয় এস রোবিনাও অমসুং কে ঐচ রোহিদনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা অপুনবা সাইতোন এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনরবসু ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ব্রোজেন এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

# সেরি এঃ এ সী মিলাননা বোলোগনা মায়থীবা পীখ্রে





**রোম, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):**
হৌজিক হৌজিক চথরিবা সেরি এগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ সী মিলাননা বোলোগনা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী বোলোগনাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা বোলোগনানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬১ ওইবা মতমদা এ সী মিলাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৯ খক্তমক ওইখি।

বোলোগনানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু এ সী মিলানগী হৈশিংলবা দিফেন্দরশিং অমদি গোল কিপরনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা পীখিদবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬১ শুবা মিনটতা এ সী মিলানগী লুকা মোদ্রিকনা হৈনা শিংনা মেটচ অদুগী অমদি মখোয়গী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লিবা বোলোগনাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এ সী মিলাননা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1594**

**Juan Manuel Bellon Lopez (2475) - Maxwell Fuller (2320)**
**22nd olm final Haifa ISR (12), 1976.11.07**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Qc7 | 5.Nc3 e6 |
| 6.Be2 a6 | 7.O-O Nf6 | 8.Kh1 Nxd4 | 9.Qxd4 Bc5 | 10.Qd3 b5 |
| 11.f4 b4 | 12.Na4 Ba7 | 13.c4 Bb7 | 14.Bf3 e5 | 15.a3 bxa3 |
| 16.b3 Bd4 | 17.Ra2 O-O | 18.Bxa3 Rfe8 | 19.Rd2 Bc6 | 20.Nc3 Qa5 |
| 21.Bb2 Rab8 | 22.fxe5 Bxe5 | 23.Nd5 Bxd5 | 24.exd5 Rxb3 | 25.Qxb3 Qxd2 |
| 26.Bc1 Qd4 | 27.g3 Rb8 | 28.Qc2 Rc8 | 29.Bg5 Rxc4 | 30.Qf5 g6 |
| 31.Qb1 Ne4 | 32.Bh6 Rb4 | 33.Qa2 Qb2 | 34.Qxa6... | |

**QUESTION : Black to checkmate**

**Puzzle 1593 Solution :**

**38. Qxh7+** *The white queen decoys Black's king.* **Kxh7**
*38...Kf8 39.Ng6#*
**39. Rh3+ Kg8 40.Ng6** *Mating net* **fxg5**
*40...Rxe6 41.fxe6 fxg5 42.Rh8#*
*40...Qg3+ 41.hxg3 fxg5 42.Rh8#*
**41. Rh8#** *Arabian mate*
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com